## ত্রিপুরাগী ইমুং ৫০,০০০ দা লুপা লিশিং অমমম পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে

অগরতালা, মে ০৭ (এজেন্সি):

ত্রিপুরাগী ইমুং ৫০,০০০দা লুপা লিশিং অমমম তেংবাং পীরগনি হায়না ষ্টেট লৈঙাক্লা লাউথোকখ্রে।

শেল-থুমগী ফিভম শোথরবা ইমুং ৫০,০০০ দা তেংবাং পীনবগী থৌরাং অসি লৌখৎনবা চীফ মিনিষ্টরস রিলিফ ফন্দদগী লুপা ক্রোর ৫ চাদিং তৌরগনি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা মাঙজিন থানা মথৌ পাঙথোক্লিবা মীওই অমা শিবা থোক্লবদি লুপা লাখ ১০ পীরগনি হায়নসু ত্রিপুরা গভর্নমেন্টনা লাউথোকখ্রে।

কোভিদ-১৯গী কেস মশিং হেনগৎলকপা মরম্না ষ্টেট লৈঙাক্লসু তোঙান-তোঙানবা ৱেলফ্যের স্কিম কয়া লাউথোরকখিবনি। মমাংদা চীফ মিনিষ্টরনা বি পি এলগী ইমুং অমদি ওজাশিংদা শেলগী তেংবাং পীবগা লোয়ননা চান-থক্লবা পোৎলম লেম্না পীবগী ৱাফম লাউথোকখ্রবনি। এ পি এলগী ইমুং ৫০,০০০ দা লুপা লিশিং অমমম পীদুনা মীয়ামগী অৱাবদা মতেং পাংলগনি হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা লাউথোকখি। ত্রিপুরাদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ২২ থেংনখ্রবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি।

ঙরাং নুমিদাং অনৌবা কেস ২২ থেংনখিবগা লোয়ননা ত্রিপুরাদা কোভিদ-১৯গী অপুনবা কেস মশিং ৬৪ য়ৌরে। নৌনা পোজিটিভ ওইরকখিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা নুপা ১৮, নুপী ১ অমসুং অঙাং ৩ য়াওরি। অৱাং-নোংপোক লমদমদা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং খ্বাইদগী য়াম্না ষ্টেট ত্রিপুরানা ওইরে।

চৈরকসিদা, ষ্টেট লৈঙাক্লা প্রাইভেট স্কুলশিংগী টুইশন ফী হেনগৎপা য়ারোই হায়না ফোঙদোকখ্রে। ষ্টেটকী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা প্রাইভেট স্কুলশিংগী মীফম অমদা লৈঙাক্লা থাগী ফী হেনগৎপিদনবা অপিল তৌখি। মীফম অদু লোইরবা মতুংদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর রতন লাল নাথনা হায়খি, প্রাইভেট স্কুলশিংনা থাগী ফী হেনগৎপগী মহুত্তা হান্না লৌরম্বা চাংদগী হন্থবা মথৌ তাই।

## আই এ এফকী হেলিকোপ্টর ফোর্স লেন্দিং তৌখ্রে

গেংতোক, মে ০৭ (এজেন্সি):

নোং-চীংগী ফিভম ফত্তবনা মরম ওইরগা সিকিমদা ঙসি ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী হেলিকোপ্টর অমা ইমর্জেন্সি লেন্দিং তৌখ্রে।

ওফিসল রিপোর্ট অমনা হায়, আই এ এফকী এম আই-১৭ হেলিকোপ্টর অদু মহৌশাগী মতৌগুম সিকিমগী চাটেনদগী মুকুতাং তম্না পাইবদা নোং-চীংগী ফিভম ফত্তবনা মরম ওইরগা তঙাইফদনা ফোর্স লেন্দিং তৌখিবনি।

অয়ুক্কী পুং ৬.৪৫ তাবদা চাটেনদগী পাইখৎখিবা হেলিকোপ্টর অদু হেলিপেদ য়ৌগদবা ৱাংলিঙৈদা ইমর্জেন্সি লেন্দিং তৌবা তাখি। থৌদোক অদুদা হেলিকোপ্টরগী শরুক খরা অমাঙ-অতা থোক্লবসু প্লেন অদুদা তোংখিবা আই এ এফকী এয়র ক্রু ৪ অমসুং ইন্দিয়ন আর্মিগী পর্সনেল ২ খুদোংথিবা নংহৌদ্রে। শুপ্নগী মীওই অমখক অশোক-অপন নংখি।

## পন্দুনা লৈরুবা মীওই ৯৫৫ থুংলখ্রে

শিল্লোং, মে ০৭ (এজেন্সি):

অৱাং-নোংপোক লমদমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরুবা মীওই ৯৫৫ মেঘালয়াদা থুংলখ্রে। পন্দনা লৈরুবা মীওই ৫৫৭ বিরনিহাট চেক গেট ফাওরগা রি-ভোই দিষ্ট্রিক্তা থুংলখি। অতোপ্পা মীওই ২৭৭ না বাজেংদোবা চেক গেট ফাওরগা নোর্থ গারো হীলস দিষ্ট্রিক্তা থুংলখি। মীওই ৭৬ না রতচেরা গেট ফাওরগা ইষ্ট জেন্তিয়া হীলস দিষ্ট্রিক্তা থুংলখি। মীওই ৪৫ দি তিক্রিকিলা গেট ফাওরগা ৱেষ্ট গারো হীলস দিষ্ট্রিক্তা থুংলখি হায়রি। মীওই পুম্নমক চেক গেটতা স্ক্রিনিং তৌরগা চঙহনখিবনি।

## আই আর বি জৱানশিং মরাল লৈরমদ্রে

আইজোল, মে ০৭ (এজেন্সি):

ত্রিপুরাগা লোন্নবা ঙমখৈদা থোকখিবা খৎন-চৈনবগী থৌদোক অমগী মতাংদা মিজোরাম পুলিসকী অৱাংবা থাক্কী টিম অমনা থিজিনবদা ইন্দিয়ন রিজার্ভ বট্টালিয়ন (আই আর বি) জৱান ২গী মরাল লৈতে হায়বা ময়েক শেংনা খঙবা ঙমখ্রে। খৎন-চৈনবগী থৌদোক অদুদা মিজো ওর্গনাইজেসনশিংগী খুৎ য়াওখি হায়বগী খুদম ফংবা ঙমদে হায়নসু ইনভেষ্টিগেসনগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

## অরুনাচল প্রদেশতা লল্লোন-ইতিক তৌরিবশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং য়েংশিন্নবা কম্মিটি শেমখ্রে

ইটানগর, মে ০৭ (এজেন্সি):

অরুনাচল প্রদেশতা লোকদাউন্না মরম ওইরগা লল্লোন-ইতিক তৌরিবশিং অমসুং ওন্ত্রপ্রেনিয়রশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং য়েংশিন্নবা ষ্টেট লৈঙাক্লা কম্মিটি অমা শেমখ্রে।

ষ্টেটকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (ফাইনান্স)না লুচিংবা কম্মিটি অসিনা হৌজিক-হৌজিক লোকদাউন্না মরম ওইরগা লল্লোন-ইতিক তৌরিবা মীওইশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং কোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

হীরম অসিগী মতাংদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর চোনা মেননা হায়খি, কোরোনাভাইরসকী লাইচৎনা মরম ওইরগা ওইহল্লক্লিবা ফিভম অসিদা লল্লোন-ইতিক তৌরিবা মীওইশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং কোকহন্নবা হোৎনরগনি। অরুনাচল চেম্বর ওফ কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ (এ সী সী আই)গী এগজিক্যুটিভকী মেম্বরশিং অমদি প্লান্নিং, ইনভেষ্টমেন্ট, ফাইনান্স অমদি এগ্রীকলচর দিপার্টমেন্টকী সিনিয়র ওফিসলশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা মহাক্লা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

অমরোমদা, ষ্টেট অসিগী লোহিট দিষ্ট্রিক্তা লৈবা তেজু জোনেল জেনরেল হোস্পিটালদা অনৌবা ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিট (আই সী য়ু) অমা হাংদোকখ্রে। কোভিদ-১৯গী অনাবা মীওইশিং লায়েংবদা খুদোংচানবগীদমক অনৌবা আই সী য়ু অমা হাংদোকখিবনি।

হোস্পিটালগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. চোদিম তয়াংনা থৌরম অদুদা হায়খি মদুদি, নৌনা হাংদোক্লবা আই সী য়ুদা ফমুং ৩ থাবগা লোয়ননা ভেন্টিলেটর, ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রের, দিফাইব্রিলেটর অমদি সী এ পি মেছিন লৈরে।

অমরোমদা, তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরিবা মীওই কয়া হল্লকখ্রবা মতুংদা ৱেষ্ট কমেং দিষ্ট্রিক্টকী বোমদিলা সর্কলদা ইনফোর্মেসন, এদ্যুকেসন এন্দ কম্ম্যুনিকেসন (আই ঈ সী) কেম্পেন পাক শন্না চথবা হৌখ্রে। সেন্ট্রেল আই ঈ সী কম্মিটিনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ সর্কল ১৪ দা পাক শন্না কেম্পেন চথনবা থৌরাং লৌখৎপা হৌরে হায়রি।

## ষ্টেটকী পাউ

## প্রিন্সিপালগী ফম লৌথোক্লুবগী মায়োক্তা হায় কোর্টতা চেলেঞ্জ তৌরক্লে

ইম্ফাল, মে ০৭(ঐচ এন এস):

গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী মীৎয়েং মখাদা লৈরিবা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী কোলেজ ওফ নর্সিংগী ইহান হানবা রেগুলর প্রিন্সিপাল ওইরকখিবী প্রোফেসর অমবু ফমসিদগী লৌথোক্লগা ফেকল্টি মেম্বর অমা ওইনদং লৈহল্লকপা ওর্দর প্রিন্সিপাল অসিনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা চেলেঞ্জ তৌরকখ্রে।

নোর্থ-ইষ্ট ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা মেদিকেল হোস্পিটাল অমসুং ইন্সটিট্যুট অমসু ওইরিবা রিমসকী কোলেজ ওফ নর্সিংগী প্রিন্সিপাল ওইরকখিবী প্রোফেসর অদুগী মমিং হেমাম জমুনা কৌই। মহাক পোষ্ট অসিগীদমক শেমখিবা সেলেক্সন কম্মিটিগী রেকমেন্দেসনদগী কুমজা ২০১৩গী মার্চ ২৫দা থোকখিবা ওর্দর অমনা রেগুলর বেসিসতা কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখিবনি।

মসিদগী মহাক্লা নর্সিং কোলেজ অসিগী অহানবা রেগুলর প্রিন্সিপাল ওইনা ফম অসিগী থবক পুরকখিবনি। অদুবু চৎলিবা থা অসিগী ১দা ইন্সটিট্যুট অসিগী দেপ্যুটি দিরেক্টর (এদমিনিষ্ট্রেসন)কে দোঙেলনা থোকপা ওর্দর (নম্বর- বি/১৬৮২/ ২০১৯-রিমস/ ৫৫৯৬) কী মতুংইন্না প্রিন্সিপাল ওইনা পুরক্লিবী প্রোফেসর অসিগী মশাগী চহী এপ্রিল ৩০, ২০২০দা ৬০ শুরবনা মহাক মশাগী চহী ৬৫ শুরকপা ফাওবদি ফেকল্টি মেম্বর ওইনা থবক তৌননবা খঙহল্লকখিবনি হায়রি। ৱাফম অসি মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের (নর্সিং সেক্সন)না কুমজা ২০১০গী জুন ২৮দা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্ননি হায়নসু পল্লকখি হায়রি।

অদুম ওইনমক প্রোফেসর অসিনা হায় কোর্টতা ৱাকৎলিবনা মিনিষ্ট্রি অসিনা রেগ্যুলেট তৌখিবগী মতুংইন্না কোলেজ ওফ নর্সিংগী প্রিন্সিপালশিংগী সুপরএন্ন্যুএসনগী চহী অসি ৬৫ ওইগদবনি। মসিগী মথক্তা রেগ্যুলর প্রিন্সিপাল ওইনা দাইরেক্ট এপোইন্টমেন্ট পীদুনা ফম অসি পুরক্লিবা মহাকপু মশাগী চহী ৬০ শুরে হায়দুনা ফেকল্টি মেম্বর ওইনা লৈয়ু হায়বসি সর্ভিসকী রুলদা য়াওদে। ওর্দর অসি ইল্লিগেল ওইবগী মথক্তা মহাকপু দাউনগ্রেদ তৌদুনা দিস্ক্রিমিনেট তৌবনি। মরম অদুনা ওর্দর অসি ক্বাশ তৌদুনা চৎনহনবীগনু হায়বসিনি।

প্রিন্সিপালগী থবক পুরকখিবা প্রোফেসর অসিনা পিটিস্নর ওইদুনা চেলেঞ্জ তৌরকখিবা পিটিসন অসিগী নম্বর দব্লিয়ু পি (সিভিল)-২০৮ ওফ ২০২০নি।

পিটিসন অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংনা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী সেক্রেটরি, রিমসকী দিরেক্টর অমসুং ওর্দর থোক্লকখিবা দেপ্যুটি দিরেক্টর (এদমিনিষ্ট্রেসন)নি।

সিভিল পিটিসন অসি থা অসিগী ৫দা জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী কোর্টনা লৌখৎলগা নাকল অনীমক্কী কাউন্সেলশিংগী ৱাফমশিং তাখ্রে। লোয়ননা রিমসকী মায়কৈদা লেপলিবা কাউন্সেলনা কোলেজ ওফ নর্সিংগী প্রিন্সিপালগী থবক্তগী পোথাবগী চহী অসি ৬০দা ওইগদবনি হায়বগী রুলশিং কোর্টতা পুথোক্লবগী মতম পীবীয়ু হায়জরকপদগী কোর্টনা মতম পীখি। অদুগা কেস অসিগী মখা তাবা ৱায়েল চথনবা থা অসিগী ১১দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা খঙহনখি। হিয়রিং অসিদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা সিনিয়র এদভোকেট বি পি সাহুনা লেপখি।

## সনা কোনুংগী পাখংবা চেঙ হোংবা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচএনএস):

কালেন থাগী থানিন অসিদা চহীগী মশিল অমা ওইনা পাখংবা চেঙ হোংবগী থৌরম উত্রাগী ইবুধৌ নোংদা লাইরেন পাখংবা অমদি লাইনিংথৌ নোংশাবা অনীগী লাইমাংদা পাঙথোকখ্রে হায়না উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এল পোইরৈতোননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মালেমগী ওইনা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা নিংথৌ মৈদিংঙু লৈশেম্বা সনাজাওবা অমদি অঙোম নিংথৌ অমুবী লোয়ননা ফম্নাইবা খরগা লোয়ননা ইবুধৌগী চেঙ হৈদুনা মালেমগী লাইচৎ অসিদগী মীওইবা খুন্নাইবু ঙাকপী শেনবীনবা থৌনিখি। মাইবা, মাইবী অনীনা থৌরম অদুগী লাইথৌ তৌদুনা চৎন-কাঙলোন ঙাক্লগা শোয়ফদ্রবা থৌরম অদু পাঙথোকখি। কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসিদগী মালেমগী মীয়াম্বু কনবীনবা থৌনিখি। উত্রা শঙলেনগী মশিল অমা ওইনা পাখংবা চেঙ হোংবগী থৌরম পাঙথোকপনি হায়রি।

## ট্রকনা তকপদা মীওই ২ শিরে

ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচএনএস):

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ইম্ফাল টিদ্দিম লম্বীগী থিনুঙ্গৈ মখা লৈকায়দা ট্রক (এম এন ০৬ টি-১২৬৬) না হোন্দা মেষ্ট্রো (এম এন ০৬ এস/৯৮৯০) তোংদুনা লাকপদা তকখায়বদগী মীওই ২ শিরে।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ৭.০৫ রোম তাবদা থোকখিবনি। লৈখিদ্রবা মীওই অনী অদুদি খুরাই সাজোর লৈকায়দগী সোরোখাইবম বিরেন (৫০), অপোকপা লৈখিদ্রবা এস কেসো অমদি খুরাই চাইথবী লৈরক্তগী ৱাহেংবম থোইবী (৬৩), মপুরোইবা লৈখিদ্রবা দব্লিয়ু খম্বনি। বিরেননা থৌদোক থোকফমদা লৈখিদবনি। অদুগা থোইবীনা হোস্পিটালনা লায়কন্নরবা মতুংদা লৈখিদবনি হায়রি।

থৌদোক অদুদা চেন্নবা ট্রক পুলিসনা ফাবগা লোয়ননা গাড়ীগী দ্রাইভর অমদি হেন্দিমেনসু পুলিসতা চঙজরক্লে। বিষ্ণুপুর পুলিসনা থৌদোক অদুগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎখিবগা লোয়ননা থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অনীমক পোষ্ট মোর্টেম তৌনবা রিমসকী মোর্গতা থমখ্রে হায়রি।

## মণিপুর লৈঙাকপু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচএনএস):

দোক্তরশিংনা নন প্রেক্টিসিং এলাৱেন্স (এন পি এ) পীবগী মতাংদা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখিবগীদমক ওল মণিপুর হেল্থ সার্ভিসেস দোক্তর্স এসোসিএসননা মণিপুর লৈঙাকপু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট পি শ্যামসুন্দর অমদি জেনরেল সেক্রেটরী এল আরকেনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এন পি এগা মরী লৈননা মমাঙদা এসোসিএসননা চঙশিনগনি হায়না তৌরম্বা খোঙজং পুন্নমক হন্দোক্লে। মতুং তারকপদা লৈঙাক্লা হকশেলগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা লৌখৎলকপা থৌরাং পুন্নমক্তা মপুং ফানা কোওপরেসন পীরগনি।

## গুৱাহাতিদা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরগী মীওইশিং লৌথোক্লুনবা বস থাখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচএনএস):

লোকদাউনননা মরম ওইরগা খুরাই এ সীগী মনুংদগী গুৱাহাতি অমদি মসিগী অকোয়বদা পন্দুনা লৈরিবা মীওই ২০ লৌথোক্লুনবগীদমক বস অমা ঙসি এ সী অসিগী এম এল এ, এল সুসিলদ্রোনা নোর্থ এ ও সীদগী লমথাখ্রে।

হোম দিপার্টমেন্টতগী অয়াবা লৌদুনা মীওই ২০ অসি লৌরুনবা বস লমথাবগী থৌরমদুদা এম এল এ, এল সুসিলদ্রোনা হায়খি, লোকদাউননা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরিবা মীওইশিংনা পাউ ফাওরক্লুবগীদমক ৱেবসাইট অমা হাংদোকখি। ৱেবসাইট অসিদা ফোর্ম থাজিল্লকপা মীওইশিং লৌরুনবগীদমক লমথাবনি। অসাম, গুৱাহাতি অমদি নাগালেন্দদা পন্দুনা লৈরিবা মীওই ২০ অসি লৌরুনবা বসসি চৎলিবনি। ঙসি নুংথিল পুং ২ ফাওবদা ৱেবসাইটতা ফোর্ম থাজিল্লকপা মীওইশিং অসিগী ওইনা চৎপনি। তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীওই ৪৪১ পন্দুনা লৈরি। মীওইশিং অসিগী একাউন্টতা লুপা লিশিং ১/১ হাপ্লগনি। গুৱাহাতিদগী লৌথোক্লুগদবা মীওই ২০গী ওইনদি শেল ওইনা লুপা লিশিং ১/১ পীগনি।

মীওই ২০ অসি ইম্ফালদা হেক থুংবগা ক্বারন্টিন তৌগনি। খুরাই এ সীগী ওইনা চিংখৈ চীং রেসিদেন্সিএল স্কুলদা ক্বারন্টিন সেন্টর হাংদোক্লনি। মসিদা তঙাইফদবা খূদিংমক মপুং ফানা ফংহনগনি। কনাগুম্বশিংনা মপান্দা পন্দুনা লৈবা য়াওরবদি পাউ ফাওবীরকউ। খুরাই এ সীগী মনুংদগী মপান ষ্টেটশিংদা পন্দুনা লৈরিবা মীওইশিংনা পাউ ফাওরক্তুনা মতেং অসি লৌবা য়াগনি। মপান ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মীওইশিং অসিগীদমক মীৎয়েং কয়া চঙলি। গুৱাহাতি অমসুং অকোয়বা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিং লৌথোক্লুনবা বস অমা ঙসি চৎখিবনি। কনাগুম্বশিংনা ৱেবসাইটতা ফোর্ম থাজিল্লকপা মতমদা রিজেক্ট চৎতনবা য়াম্না মরিক চুম্না মেনশিন্দুনা থাজিনবীরকউ। কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মপান ষ্টেট কয়াদা পন্দুনা লৈরিবশিংগী অৱাবা কয়া অদু উরগা খোঙথাং অসি লৌখৎপনি। মখোয়না থেংনরমগদবা অৱাবশিং অদু উরগা মতেং পাংবনি হায়নসু মখা তাখি।

## চীফ সেক্রেটরিনা লুচিংবা টিমনা য়েংশিনখ্রে

জিরিবাম, মে ০৭ (ঐচএনএস):

মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেশ বাবুনা লুচিংবা টিম অমনা হেলিকোপ্টর তোংদুনা জিরিবামদা চৎতুনা জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা মণিপুর ৱাংমদগী পন্দুনা লৈরিবশিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না পায়খৎপা থবকশিং য়েংশিনখ্রে।

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা পন্দুনা লৈরিবশিং, ট্রেনদা লাক্কদবা মীওইশিংগী থম্ফম অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না তৌরিবা থবক কয়া চীফ সেক্রেটরিনা লুচিংবা টিমনা কোয়না চৎতুনা য়েংশিনখি। রেলৱে ষ্টেসনদা চৎতুনা য়েংশিল্লবা তুংদা জিরি পুলিস ষ্টেসনদা লাকখি।

তুংদা চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেশ বাবুনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর ষ্টেটকী মপান্দা লৈরিবা মীওইশিং ট্রেনদা জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসন তম্না পুরক্লগনি। ট্রেন বোগ্গি ২২ রোমদা চাউরাক্লা মীওই ১১,০০০দগী ১২,০০০ ফাওবগী মনুংদা পুরকপা য়াই হায়না পারি। নোর্মেল বোগ্গি অমদা সিট কেপাসিটি ৭২ ওই। অদুবু সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা লাক্কদবা মরম্না মীওই ৫২ রোম সিটতা ফমহল্লগা পুরক্কনি। মসিগীদমক হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মীওই ৩০ নৎত্রগা ৪০ রোম্না স্ক্রিনিং তৌগনি। স্ক্রিনিং তৌরগা ইম্ফাললোমদা পুরক্কনি। দিমাপুররোমদা ট্রেনদা পুরকপা য়াবনি। অদুবু নাগালেন্দ গভর্ণমেন্টকী জুরিদিক্সন অমদি খুদোংচাদবা কয়া লাকপা য়াই খন্দুনা জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা পুরক্লবা ৱারেপ লৌখিবনি। মণিপুরগী জুরিদিক্সন ওইবতা নত্তনা পুথোক-পুশিনগী থবক ঐখোয়না অপাম্বা মওংদা তৌবা য়াগনি। করি নুমীৎতা জিরিবামদা থুংলগদবনো হায়বদুদি হায়বা ঙমদ্রি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি। য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা এ দি জি পি কাইলুন, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ট্রান্সপোর্ট ৱাই ৱাইফৈ, পি দব্লিয়ু দিগী কম্মিস্নার আর কে দিনেশ, চীফ এঞ্জিনিয়র তেম্বা অমদি এম এস পি দি সী এলগী এম দি প্রিয়োকুমারসু শরুক য়াখি।

## রেদ ক্রোস দেগা মরী লৈননা ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচএনএস):

মালেমগী মফম কয়াদা থা অসিগী ৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড রেদ ক্রোস দে থৌরমগা মরী লৈননা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ট্রান্সফ্যুজন য়ুনিট থৌবালগা খুৎশম্নদুনা নোংমগী ওইবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালদা পাঙথোকখ্রে।

কীপ ক্লেপ্পিং ফোর ভলন্টিয়র হায়বা থীমদা আই আর সী এস থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী ভলন্টিয়র ২০ হেনবনা ঈ পীখি। ব্লদ দোনেসন কেম্প অদুগা মরী লৈননা আই আর সী এস থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেটরি সদানন্দনা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯গী চৈথেংনা ৱারবা মতম অসিদা ঈগী তঙাইফদবা মীওইশিংদা খরদং ওইরবসু মতেং পাংনবা পান্দমদা কেম্প অসি পাঙথোকপনি। ভলন্টিয়রশিংনা লাক্তুনা কেম্প অসিদা ঈ পীনখি। ৱর্ল্ড রেদ ক্রোস দেগা মরী লৈননা ঈ পীবগী কেম্প অসি পাঙথোকপনি হায়নসু মখা তাখি।

## লায়েংশেল লৈতবদগী নুপী ১ লৈখিদ্রে

জিরিবাম, মে ০৭ (ঐচএনএস):

য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমা ওইনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বোরোবেক্রা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা দোলাখাল মৈতৈ খুন ৱার্দ নম্বর ২দগী নুপী অমা লায়েংনবা শেল পুথোকপা ঙমদবদগী লৈখিদ্রে হায়রি।

মহাক্কী মপুরোইবা হৌজিক পুনেদা লৈবা কম্পেনি অমদা সিক্যুরিটি গার্দ ওইনা থবক তৌদুনা ইমুং-মনুং পুবনি। কোভিদ-১৯গী লোকদাউনননা মরম ওইরগা ময়ুমদা শেল থারকপা ঙমখিদবদগী লায়েংনবা শেল পুথোকপা ঙমদদুনা শিবনি হায়না খুঞ্জা কয়ানা ফোঙদোক্লরকখি। লৈখিদ্রবী মীওই অসিগী মচা ৪ লৈহৌরি।

শাগৈগী নুপা অমনা ফোঙদোরকপদা, নুপী অদু ঙরাং লৈখিদবনি। অৱাবা অসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা মতেং পাংবীয়ু। বোরোবেক্রা দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী চেয়রমেন জিতেননা ফোঙদোকখিবদা, নুপী অসিগী মপুরোইবা অদু শোরাত নংনবা লৈঙাক্লা শীনবীয়ু হায়বা ৱাফম থমখি হায়রি।

## CROSSWORD-3438



**ACROSS**

1 Not liable (6)
4 Each one (6)
8 Under (5)
9 Game played on a lawn (7)
10 One who vacillates (7)
11 Relating to sight (5)
12 Yearning for the past (9)
17 Proposition assumed to be self-evident (5)
19 Fate (7)
21 American cattleman (7)
22 Paris rail system (5)
23 Illegible handwriting (6)
24 Infertile (6)

**DOWN**

1 Arm joints (6)
2 Invigorate (7)
3 Might (5)
5 Spin out (7)
6 Burst forth (5)
7 Attract (6)
9 Carried on (anag.) (9)
13 One way or another (7)
14 Airman (7)
15 Cavalry swords (6)
16 Business magnate (6)
18 Interior (5)
20 Brazilian dance (5)

**Solution 3437**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | I | M | S | ■ | C | R | A | C | K | P | O | T |
| P | ■ | E | ■ | E | ■ | O | ■ | I | ■ | A | ■ | R |
| P | I | L | G | R | I | M | ■ | V | E | R | G | E |
| R | ■ | O | ■ | O | ■ | A | ■ | I | ■ | S | ■ | K |
| O | W | N | E | D | ■ | N | Y | L | O | N | S | ■ |
| A | ■ | ■ | ■ | E | ■ | Y | ■ | ■ | ■ | I | ■ | O |
| C | I | C | A | D | A | ■ | D | R | A | P | E | R |
| H | ■ | H | ■ | ■ | ■ | S | ■ | E | ■ | ■ | ■ | I |
| ■ | S | A | M | P | L | E | ■ | B | R | I | B | E |
| H | ■ | N | ■ | U | ■ | L | ■ | U | ■ | M | ■ | N |
| A | C | T | U | P | ■ | D | E | F | I | A | N | T |
| L | ■ | E | ■ | I | ■ | O | ■ | F | ■ | G | ■ | A |
| O | L | D | F | L | A | M | E | ■ | V | E | A | L |

**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3237**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 7 | 5 | | 4 | | | 3 | 1 |
| | | 3 | | 5 | | 4 | | 6 |
| | | | 3 | | | | | |
| | 8 | 7 | 9 | | | | | |
| 4 | | | | | | | | 9 |
| | | | | | 2 | 6 | 5 | |
| | | | | | 3 | | | |
| 3 | | 4 | | 6 | | 7 | | |
| 9 | 6 | | | 7 | | 3 | 8 | |

**Solution-3236**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 3 | 5 | 9 | 7 | 4 | 1 | 6 | 8 |
| 6 | 7 | 1 | 3 | 8 | 5 | 2 | 9 | 4 |
| 8 | 9 | 4 | 2 | 1 | 6 | 3 | 7 | 5 |
| 3 | 8 | 9 | 6 | 5 | 7 | 4 | 2 | 1 |
| 7 | 4 | 6 | 1 | 2 | 3 | 8 | 5 | 9 |
| 5 | 1 | 2 | 8 | 4 | 9 | 7 | 3 | 6 |
| 9 | 6 | 7 | 4 | 3 | 1 | 5 | 8 | 2 |
| 4 | 2 | 3 | 5 | 9 | 8 | 6 | 1 | 7 |
| 1 | 5 | 8 | 7 | 6 | 2 | 9 | 4 | 3 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers



অসিজোলনেং

ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম


লুখ্রাবী মচা থুনা-য়াঙনা চৎখিরম্মী।
তাল্লক্তুদা হিংচাবী অমা তুরেন্দা ঈশিং থকপা লাক্লম্মী।
তুরেন্দা পাকথদুনা ঈশিং থক্লম্মী।